## এডিটোরিয়েল

# দিষ্ট্রিক্ট হেনগৎলকপগী অৱা-নুংঙাই

লমদম অমা শেমগৎপা হায়বসিদা মখল কয়াগী অৱাবা কয়া থেংনবা তাই। মদু তুং-কোইনা চৎনহনগে অমসুং চৎনহল্লোই হায়বসিনা লৈঙাক্কী থৌশিলগী মখা পোনবা মশানা তাবনি। মসিদা মরুওইনা তঙাইফদ্রিবা অসি লৈঙাক্কী অশানবা মীৎয়েং অদুনি। চহী ১৫ চুপ্পা কংগ্রেসনা লৈঙাক্লকপা অসিদা হায়রিবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী দিমান্দ অসি মচেৎ-মচেৎ ওইনা লাকপনি অমসুং মসিদা মখল মখা কয়াগী অয়েৎ-অপন কয়া পীরকপদুনা মরম ওইরগা দিমান্দশিং অসি পীবগী মতাংদা চয়েৎনবা ওইদুনা লাকখিবনি। মসিদা লৈঙাক্লসু চপ চাবা ফিরেপ লৌনবগী তাঞ্জা অদু লৈখিদে হায়না লৌবসু য়াই। অদুমকপু খ্বাইদগী মরুওইরিবদি দিমান্দশিং অদুনা মরম ওইরগা অচৌবা ৱাথোক ওইরক্ত্রিঙৈদা চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌনবা নেগোসিয়েসন তৌনবা মরী লৈনবা পূন্নমক্কা হোৎনহৌদবা অদুদগী ৱাথোকসি লাকপরা হায়বা ৱাফম অসিনি। হৌজিকসু নাগাগী লম নৎত্রগা কুকিগী লম অমসুং মৈতৈগী লম হায়বা অমত্তা অকক্লনা লৈতে। পূন্নমক অসি ষ্টেট অসিগী মশাগী ওইবা লমনি। মদুদা টেক্স থিরগা লমদুগী মপুনি হায়না মতম খরগী ওইনা লৈবগী ৱানি। করিগুম্বা লৈঙাক্লা তঙাইফদবা লৈরগদি হায়রিবা লমশিং অসি লৌশিনবগী হক পূন্নমক লৈবগী মথক্তা লৈঙাক্লা মতম শাংনা লম অদুবু মশাগী ওইনা কনশিন্দুনা থম্বগীদমক মহাক্কী হায়বদি লম মপু অদুগী হিংনবগীদমক শৌগৎনবা ওইনা ষ্টেটকী মায়কৈদগী কম্পেন্সেসনগী শেনফম কয়া পীরগা লম অদু লৌশিল্লিবনি। মসিদা লমগী মপু অসি মীওই কাঙলূপ অমা নৎত্রগা ইন্দিভিজুয়েল ওইবা লনাই মীওই অমগী নত্তে হায়বসি খঙবা তাবনি। মসি সুকখঙ-খঙদনা লমগী মপু ওইরিবসি ইন্দিভিজুয়েলশিংনি নৎত্রগা মীওই কাঙলূপ অদুনি হায়না লৌরগা মখল মখা কয়াগী এজিটেসনশিং চঙশিনবদি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে।

ঙসিগী চাউখৎলবা মতমসিদা মীওই খুদিংমক্লা খঙফম থোকপনি। দিষ্ট্রিক্ট হেনগৎলকপা হায়বসি মনুং হঞ্জিনবদা লৈরিবা মীওই কাঙলূপশিং অদুদা সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেটকী প্রোজেক্টশিং অমসুং মীয়ামগী মতেং ওইগদবা থৌরাংশিং অদু লন্নাই মীওই খুদিংমক্তা য়ৌহন্নবা অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী দিভলপমেন্টকী খুদোংচাবা পূন্নমক পীনবা হোৎনবগী থৌশিল অমনি হায়না লৌবা তাই। মসিদা য়েৎলিবশিং অসিগী খোঙজংশিং অসি কদাইফাওবা য়ৌনা খম্বরগা চঙশিনবনো হায়বসি অমুক নৌনা য়েংবগী মথৌ তারে। অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেম্লকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকপা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মীওই কয়া অমসু য়াওরিবনিনা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেম্বা হায়বসি মতম শাংনা লাক্লবা মীয়ামগী দিমান্দনি অমসুং মদু পীবা হায়বসি লৈঙাকসিগী মথৌনি খল্লগা মসিদা য়েৎলকপা পূন্নমক চপ চানা থেংননবা লৈঙাকসিগী ফিরেপ অমা লৈফম থোকই খল্লি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### কনাসু কিদ্রে, আইনসু কিদ্রে, শিবসু কিদ্রে

ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,

ইং ১৯৪৭, জুলাইগী তাং ১৯ দা নাগা ইশুগী মতাংদা মতমদুগী নাগা নেস্নেল কাউন্সিল ( এন এন সি) গী লূচিংবশিং এ জেদ ফিজো অমদি টি সাখ্রে য়াওনা দিল্লিগী ভাঙ্গী কোলোনিদা মহাত্মা গান্ধিগা উন্নখিবদা গান্ধিজিনা থৌনা লৈনা হায়খি, "চুম্মী নাগাশিংনা নিংতম্বা পাল্লিবসি অচুম্বা খোঙথাংনি, ঐখোয় পুম্বা (নাগা য়াওনা) বৃটিশকী মখুত্তগী নিংতম্বা পাল্লিবা ভারতকী প্রজাশিংনি, ঐখোয় বৃটিশশিংগী মীনাই ওইবা পামদ্রে, ঐখোয় ইন্দিয়ানশিংগী নিং তম্বদা নাগাতগী ওইবা নিংতম্বা অমমুক পুশিল্লকপসি, ঐনদি নখোয়বু ইন্দিয়ান সিটিজননি খল্লগা নখোয়নদি মদুগী ওন্ন-তৈনবদা প্রেসর পিরকপনি। ইচিন ইনাউ নত্তে হায়বগুম্বনি, নাগাগী প্রজা ইন্দিয়ান নত্তে হায়বা য়ারোই। নখোয়না নত্তে হায়রগনা মতাংসিদা ঐগা ৱারী শান্নবগী কান্নবা লৈত্রে, তোকপা তাবনি। নখোয়না ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা য়াওবা-য়াওদবা কনানসু থিংবা ঙম্লোই অদুবু নম্ফু হাফুগী শক্তি অমত্তনা ইন্দিয়া কায়হনবদি কনাগীসু মতিক নত্তে"।

অসিগুম্বা অশেংবা, ইচং থৌবা লূচিংবা অমগী ৱাহে অসিনা কনানা করি হায়বা ঙমগনি? অচুম্বদা খোংফম চেৎনা লেপ্লবদবু মালেমগী করম্বা শক্তিনা ইরমদম মরিপুরবু থুগাইবা ঙমগদগে? লাইবক থীবদি ঙসি ফাওবা মণিপুরগী মশক থোকপা লূচিংবা লৈরক্ত্রি হায়বা য়ারিবসিনি। মতম অমদা লমদমসিনা নিংথৌ লৈঙাক চৎনরিঙৈদদি হাউ ঙাওরকপদা লাকশিন্নবা চীংশাং থুংনা নিংথৌনা লান তাবা চৎলম্মী, মায়থীবা পীদুনা অহকপা চৈরাক পীখি হায়বগী ইতিহাস কোকথোং অমা লৈরি। য়ু এন সিনা মশোঙ ফল্লিবসি লৈঙাকপশিংনা তেথহন্দ্রিবা করিগীনো? লৈঙাক্কী আইন লৈখিদ্রবরা নৎত্রগা মখোয়গী অনিংবা থুংখ্রসনু হায়রিবরা? য়াম্না ফোংনা মণিপুর লৈঙাক্কা মখোয়গা মরি তৎনরে হায়রে। মীরমগী লূচিংবশিংনা ইরমগী লূচিংবশিংগী মহুৎ শিন্না অথোইবা মীংথুংলেন ওইহন্দুনা তত্তনা ইকাইবসু পিখ্রবনি। ইবোবী মশক খঙদে, মখোয়গীদি জেলিয়াংনা লূচিংবনি খনখ্রে। উখুলমক্তদসু সি এম লাকপদা লান তাখ্রে, দরকার লৈত্রে হায়বগুম্বনি। নাগানা অসুক্কী মতিক ঙক হায়গৎলিবসি লাকশিনবীনবা লৈত্রবগুম্বনি। সেন্তর ফাওবনা তুম্মিন খঙশিন্নদনা লৈখ্রবদা ষ্টেটকী সি এম মচা অমনদি করি শক্তি লৈগনি। ফম থাদোকপসু ঙমগদবা মীশক নত্তে, অসুম পাংদবা শানা ফম কোন্দুনা লৈবা তাবনি।

চৈরীবা, ভাংলিবসিমক নুংশিবননি, নুংশিদ্রবদি হন্না ফাওবা য়েংলরোইদবনি অদুবু খঙগদবদি খম থেংনা ৱারবা তমগী প্রজাশিংনা খুদিংমক ষ্টেটসিগী মায় ঙাক্লা অৱা অনা লাম্হেংনরকপদদি ৱা ঙাংলক্কনু অদুম মহৌশাগুম তুম্মিন্না লৈবগী হৈনবীদুদা তুম্মিন লৈবীয়ু। মশিং য়াম্বা তম্মীশিংবু খুজোক খরখক লৈবা নাগানা শীংনরক্লবদি মখোয়বু চপ চাবা পারা তম্বীনবা তম্মীসু শেম শাখ্রে, মসিতমক খংবীয়ু। তুংগী অকনবা লাঞ্জাওদি সেন্তরগী মশরুক ওইগনি। চৈথেং নঙলবা তম্মীনা হৌজিক্তি কনাবু কীরুনি। চাদনা শীবসু শীবা, লান্দা শীবসু শীবা, শীববু নাথেবা য়াবসু নত্তবসিবু কনাবু কীরুনি।

**অদোমগী**
**লাই বিমোল**
**ইম্ফাল**

# সাইনসকী লায়না সাইনুসাইতিস-২

যোদ্ধ সি সনসম

**মমাঙ ইরাইগী মখা...**

লাইওংঃ

মথক্কী হায়রিবশিং অসিনা চীম্বাঙগী, খোর্জেংগী ৱারোলনি। হকথেংননা থেংনরকপদদি অয়াম্বনা শৈহৌ শৈরোই মান্নগল্লি। অহানবদা ভাইরসকী লায়না ইনফ্লুয়েঞ্জাগুম্বা নৎত্রগা খ্বাইগী ওইবা লোক থুংবগী লায়না কমন কোল্ডকা হায়নবা লায়নাকাদুনা হান্না হৌগল্লি। মতাঙ অসিদা লাইহৌ খরা য়াওগনি, হকচাং তুকথগনি, নাতোন খরা ফুনগনি, কোক খরা চীক্কনি, নাতোন্দগী লাঙতক তৌবা মহী চেম্হগনি, লোক খরা খূতক খুতক তৌবা য়াই। অসুম্না তৌবা অসি হাপ্তা অমগী মনুংদা ভাইরসশিংদুনা মথন্তা শিজখ্রবকান্দা, অনাবা অদু ফগৎলকপা কনখৎলকপা অয়াম্বনি। মী খরদদি ভাইরসতুগী মহুৎতা বেক্তেরিয়ানা অমুক মহুৎ শিলহৌই, অসুম্না তৌরবদি খরা ফগৎলুরবা অনাবা অদু অমুক নাতোন ফুনবা, খোঞ্জেল নাখাঙদা খোংবা, খোঞ্জেল শিথবা, কোক চীকপা-লুম্বা, নপ মহী নঙশিল্লকপা-কুংশিল্লকপা, নাহী তাবা, মনম নম্বা ৱাৎপা, লোক খুজিল্লকপা অসিনচিংবা কয়া অসি হেঞ্জিল্লকই। হায়রিবা ময়াম অসি মতম চানা লায়েংহৌদ্রবদি থা মখায়, থা অমরোম শাংথগল্লি। মী খরদদি অসুম্না অমুক্তা তৌখিবদগী পাক অমুক হল্লক্তে। অমুক নারল্লবসু চহী মঙা তরুক্কী মতুংদা অমুক অমুক্লুম্বা লাকপা য়াই মী খরদনা অসিগুম্বা লাইওং অসি হঞ্জিন হঞ্জিন কুংনা কুংনা চৎথহৌই, থা অমা অনীগীমনুংদা অমুক অমুক তৌরম্বদগী অসুম অসুম কুংশিল্লক্তুনা চহী চুপ্পা হকচাং ঙমদবগী নুংঙাইতবা ময়াম অমনা য়োমশীন্দুনা লৈরকই। অহানবগী তাঙ্কক, ভাইরসনা নাহনবদগী বেক্তেরিয়ানা মহুৎ শিলহৌবগী মতেক্তু ফাওবদি এক্যুত সাইনুসাইতিস হায়না খঙনৈ, কুইনা শাংথারক্লগনা ক্রোনিক সাইনুসাইতিস হায়না খঙনৈ।

সাইনুসাইতিসকী খরা তোপ্পা লাইওং খরাঃ

খ্বাইগী ওইনা নাতোন ফুনবা, নপ চোবা, কোক চীকপা অহুম অসি ইনৎ নত্তবদা অতৈ নুংঙাইতবা করিসু য়াওদনা, খরা তোপ্পা লাইওং অমখক্তনা অনাবা ওইবা সাইনুসাইতিসসু লৈতবা নত্তে। মখাগীশিং অসিগী মনুংদা অমখক্তনা সাইনুসাইসিতকী লাইওং ওইবা য়াইঃ

১. নাতোন, নাখাঙ, মায়-মীৎ, কোক ইরুম লুমদুনতা লৈবা,

২. কোক ঙাওরি ঙাওরি তৌদুনতালৈবা,

৩. নাহী তাগনবা,

৪. মনম মহা ফাওদবা, চাক -ইনশাংগী মহাও খঙদবা,

৫. শরু-শয়াঙ, ঙক-লেংজুম, পাম্বোম, খোঙ-খুৎ, ফৈ খুবোম, তাং-তাং চীক-চীক




লাউদুনতা লৈবা,

৬. হকচাং থুনা থুনা চোকথগনবা,

৭. নুংশাদা থোক্লুবা, টি ভি য়েংবা, লাইরিক পাবা নুংঙাইতবা, মরু ওইনা নিংথমথাগী নুংশাদা মাঙদা লৈবা ফিঙৌদগী থক্তোক্লকপা মঙালনা মায়-মীৎতা ফুবদা য়াম্না নুংঙাইতবা,

৮.অমুক্কা হেন্না ইতোপ তোপ্পা অমনা, অতৈ লাইওং অমত্তা হায়ফম খঙদনা, মশাদা খ্বাই মী অতৈগা ইমান মান্নদবা হকচাং নুংঙাইতবা লৈবা, মী অতৈনা য়েংবদদি অনাবা করিসু অমত্তা লৈতবগুম উই হায়রিবর, মথন্তা তুমিন তুমিন তুকথদুনতা লৈগনবা, মীরক-মীতিন য়াওনীংদবা, মশামক্কী শুমাঙদা লীলা তৌবা ফাওবা থোক্কুনা য়েংনীংদবা। অসিগুম্বা মৌ অনৌবী অমবু মনেম্বোক্লা, 'মসি নুপীসি কত্তন চুবীনি, তাম্বোকখ্রো' হায়বা ফাওবা য়াওদবা নত্তে-সাইক্যাক্রিক প্রোব্লেম লৈরবীনি খন্নদুনা সাইকোলোজিষ্ট-সাইক্যাত্রিষ্টশিংদা পুনবা কয়াসু য়াওদবা নত্তে।




সাইনুসাইতিসতা হাপচিল্লক্কনবা, হেঞ্জিল্লকনবা লায়না -লাইথেৎ খরসু লৈ।

মখোয়শিং অদুদিঃ-

ক। মীৎকী অকোয়বদা ইচুম তুংশিল্লকপা, নাই চাশীল্লকপা

খ। মীৎ মনীংগী শিংলীদা ঈ হৌবা হেঞ্জিল্লকপা, হম্বুবা নাইদনা য়াম্না লুথনা মীৎকী মনুংদা কন্না চীকপা -নাবা

গ। সাইনসকী ফক্লাং, মায়গী শরুদা নাই চারকপা, নাই হাল্লকপা

ঘ। সাইনসকী ফক্লাংদগী বেলুন মানবা মপ্রাঙগী খাউ (পোলিপ) না নাতোন য়ৌনা ঈম্বোক্লকপা

ঙ। নাকোংদা নাই চারকপা

চ। তোনসিল, খোঞ্জেল উপু, স্বরগী উতোং মরীল, লীক্লম-মসা-মরেঙ (লেরিঙ্গো ত্রাকিয়াইতিস, ব্রোঙ্কাইতিস, ব্রোঙ্কোন্যুমোনিয়া, ব্রোঙ্কিয়েক্তেসিত) নচিংবদা অদুগা য়োৎশিনবগী থোঙ, মাগী লীক্লম অমসুং মাগী মখা চাকখাওগা শম্নফম ফাওবা (ফেরিঙ্গো, ইসোফেগোগেস্ত্রাইতিস) অসিনচিংবদা ঈ হৌবা, নাই চাবনচিংবা তৌহল্লকপা ঙম্মী।

ছ। কোক মনুং, থোপকী মপ্রাঙ, থোপ মনুংগী মরীল, ইচুম লীক্লম অদুগা থোপমক্তা ঈ হৌবা, নাই চাবা (মেনিঞ্জাইসিত, কেভর্নস সাইনস থ্রোম্বোফ্লেবাইতিস, ব্রেন ওবেসেসস) নচিংবা তৌহল্লকপা য়াই। (অসিগুম্বা অরুবা ফীভম য়ৌশিল্লকপা অসিদি হৌজিক্কী মতম অসিদদি কয়া থেংনদ্রে, অনাবশিংনা জ্ঞান তাবা হেল্লকপা, অরুবা ফীভম য়ৌদ্রিঙৈদা দাক্তরশিংগা মতম চানা তান-খোৎনবা তৌহৌবা, অফবা হীদাক কয়া থোক্লকপা অসিগুম্বা ময়াম অসিনা ওইবা তাই।

সাইনুসাইতিসনা নারবা মী অমা থেংনবদা দাক্তরশিংনা মখা তানা থিজিন্নিংবা খরাঃ

সাইনুসাইতিস অদু মহীক্কী লায়নারা, নাতোনগী পক্লদবা (এলর্জি) রা, অনীমক তোৎশীন্নবা য়াওবরা, নাতোনগী শরু পৈবা নৎত্রগা অতৈ ফঙ্গসকুম্বা নৎত্রগা কেন্সরনচিংবগুম্বগী লায়নাবু ওইরিদরা, হীদাক্তনা ফগদ্রা, চামথোক্তুবদি ফরোইদ্রা, সর্জরী (ওপরেসন) চঙগদ্রা, সর্জরী তৌরবদি করম্বা মখলগী সর্জরীনা ফগদগে, এন্দোস্কোপিক সর্জরীনা হেন্না ফগদ্রা, মদুগী মমল অনাবা অসিনা পুথোকপা ঙমগদ্রা, সর্জরী তৌনবগীদমক করম করম্বা মখা তানা থিজিনবা চঙখিগদগে অসিনচিংবা হায়রিবা ৱাহং অমদি ৱাফমশিং অসিগী মতুংইন্না ঈ, নাতোন মচুম, মপান থোকপগী ঈশিং, এক্সরে, সি তি স্কেন, এম আর আই (এন্দোস্কোপিক সর্জরী তৌবা তারবদি) অসিনচিংবা য়েংথোকপা চঙলকপা য়াই। এন্দোস্কোপিক সর্জরীনা হান্না চথরম্বা ওপরেসন্দগী মহয় ফবা শোয়দনমক্কী হেল্লি হায়বা ঙমদ্রি। অনাবদা ওপরেসনগী চৈথেঙদি হম্বুহল্লি। পৈশা য়াম্না পুথোকপা ঙমজদবশিংগীদি হান্নগী নন-এন্দোস্কোপিক কনভেন্সেনেল সর্জরী ওইনা তৌবা করিসু কায়দে।

লায়েংবগী ৱারোলদি তানরুরিবা, ইশানা থাজবা দাক্তর স্পেসিয়েলিষ্ট অদুগা অদুনি অদানি হায়বদু মুন্না খন্নবা অদুগা তৌগদবা পূন্নমক দাক্তর অদুদা শীন্নথোকপনা অফবা ওইফম থোকই।

**(লোইরবা)**

# মোবাইল ফোন সেক্যুরিতি -৪

**মমাঙগী মখা...**

ইউ এস বি ওইনা মোবাইল শীজিন্নবাঃ

মোবাইল ফোনশিং অসি কম্প্যুটরদা শমজিল্লবদি য়ু এস বি মেমোরি দিভাইসশিং ওইনা শীজিন্নবা য়াই। কম্প্যুটরদা কনেক্সন তৌবা য়াননবা মোবাইল ফোন্দা য়ু এস বি কেবল অমা পীরি। নঙগী মোবাইলগী ফোন মেমোরি অমসুং মোমোরি ষ্টিক অদু য়ু এস বি দিভাইস ওইনা এক্সেস তৌবা য়াই।

তৌগদবশিংঃ

মোবাইল ফোন অমবু পার্সোনেল কম্প্যুটর অমদা শমজিনবা মতমদা, এক্সটর্নেল ফোন মেমোরি অমসুং মোমোরি কার্দ অদু অপদেট তৌরবা এন্টি ভাইরস অমা শীজিন্নদুনা স্কেন তৌ।

নঙগী ফোন অমসুং এক্সটর্নেল মোমোরি কার্দ অদু চাং নাইনা বেক অপ তৌ মরমদি করিগুম্বা সিষ্টেম ক্রাস নৎত্রগা মেলৱেয়র ফাউজিল্লকপগী থৌদোক থোক্লবদি নঙগী ডেটা অদু কনবা ঙম্নবনি।

কম্প্যুটরদগী মোবাইলদা ডেটা ট্রান্সফর তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা দেটা অদু অপদেট খুদিংমক তৌরবা এন্টি ভাইরস অমনা শোয়দনা স্কেন তৌগদবনি।

তৌরোইদবশিংঃ

য়ুজরগী মীশিং-পাসৱার্দ কুম্বা সেন্সিটিভ ওইবা ইনফোর্মেসন কৈদৌঙৈদসু মোবাইল ফোন্দা থম্লোইদবনি।

সেক্যুরিতিগী মতাংদা খঙজিনগদবশিং মরুওইবা ইনফোর্মেসন চেকশিন্দনা হাংদোক্তুনা থম্বা।

দব্লিউ এল এ এন গী চাং য়ামখিদ্রবা সিগ্নেলশিংনা য়াম্না লাপ্পা মফম ফাওবা য়ৌবা ঙম্মী,, অমসুং ৱায়রলেস স্নিফর অমা শীজিন্নদুনা হায়রিবা সিগ্নেলশিং অদু ফাবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মরম অসিনা মতিক চাবা সেক্যুরিতিগী থবক লৌখৎত্রবদি ক্রিটিকেল ওইবা ইনফোর্মেসন ৱায়রলেস ইন্টুদর অমনা এক্সপোজ তৌবা ঙম্মী।

মোবাইল ভাইরসশিংঃ

মোবাইল ভাইরসশিং অসি অচৌবা থ্রেট অমা ওইবা য়াই, মরুওইনা কম্প্যুটেসনেল কেপেবিলিটিশিং লৈবা দিভাইসশিংদনি। মোবাইল দিভাইসশিং অসি মহৌশাগী ওইনা থৌওং কয়াদা ভাইরস চঙবা ঙম্বা ওইগল্লি। ভাইরসশিংনা এপ্লিকেসনশিং নৎত্রগা অন্দরলেয়িং ওপরেটিং সিষ্টেমদা লৈবা সেক্যুরিতিগী অহোবশিং অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা অমাঙ-অতা থোকহল্লি। মোবাইল দিভাইস অমদা দাউনলোদ তৌবা এপ্লিকেসনশিং অদু দেস্কটোপ এপ্লিকেসনশিংগুম্না ভাইরস চঙগনবা ওইবা য়াই করিগুম্বা মোবাইল ও এস খরদা মেলফোর্ম ওইরবা এস এম এস মেসেজশিংনা দিভাইস অদু ক্রাস তৌবা ঙম্মী।

ই-মেল ভাইরসশিং



ই-মেল ভাইরসশিং অসিনা রিগুলর

ই-মেল ভাইরসশিংনা পি সি শিংদা শোকহনবগা চপ মান্নমা পি দি এ শিংদসু য়াম্না শোকহল্লি। হায়রিবা ভাইরসশিং অসিনা এন্টরপ্রাইজেসশিংদা য়াম্না অমাঙ- অতা থোকহল্লি অমসুং মহৌশাগী চখরিবা ব্যুজিনেসতসু অকায়বা কয়া থোকহল্লি। পাল্ম ও এস-লিবর্টি ক্রেক অসি পি ডি এ ই-মেল ভাইরস অমগী খুদম্নি। মসি খঙনরবা ট্রোজান হোর্স অমনি অমসুং মসিনা পাল্ম পি ডি এ অমদা য়াওবা এপ্লিকেসন পূন্নমক মুখৎপা ঙম্মী।

ব্লুস্নারফিং

ব্লুস্নারফিং অসি ব্লুটুথ ফোনদগী ডেটা হুরানবনি। ব্লুজেক্কিংগুম্না ব্লুস্নারফিং অসি ব্লুটুথ য়াওবা দিভাইসশিংনা অতোপ্পা মনাক নকপা দিভাইসশিং মশক খঙদোকপা অমসুং কন্টেক্ট তৌবা ঙম্বা পাঙ্গলগী মখা পোল্লি। ইচম চম্বা মওংদা হায়রবদা লেপটোপ অমদা য়াওবা অচুম্বা সোফৱেয়র শীজিন্নরিবা ব্লুটুথ য়ুজর অমনা মনাক নকপদা লৈবা ফোন অমবু খঙদোকপা ঙম্মী অমসুং মদুদা নঙগী অয়াবা য়াওদনা শমজিন্দুনা নঙগী ফোনবুক, নহাক্কা কন্টেক্ট লৈনবা পিকচরশিং অমসুং কেলেন্দর অদু দাউনলোদ তৌবা ঙম্মী। নঙগী মোবাইল ফোনগী সেরিয়েল নম্বর ফাওবা দাউনলোদ তৌদুনা নঙগী ফোন অদু ক্লোন (চপ মান্ননা পুথোকপা) তৌবা ঙম্মী। মরম আসনা নঙনা ব্লুটুথ অদু মুখত্তুনা থমগদবনি নৎত্রগা "অনদিস্কোভরেবল" দা সেট তৌদুনা থমগদবমনি। অনদিস্কোভরেবল সেট্টিংনা নঙগী ফোন অদুবু কনা অমত্তনা উবা ঙমদনা নঙনা হেদসেদশিংগুম্বা ব্লুটুথ প্রদক্টশিং মখা তানা শীজিন্নবা ঙমহল্লি।

ৱার্মশিং, স্পাইৱেয়রশিং অমসুং ট্রোজানশিংগুম্বা মেলিসিয়স ওইবা সোফৱেয়রশিং

ৱার্মশিংনা ব্লুটুথ ট্রান্সফর, ইনফ্রারেদ ট্রান্সফর নৎত্রগা এম এম এস এটেচমেন্টশিংগী খুত্থাংদা মোবাইল অমদগী মোবাইল অমদা শন্দোক্তুনা ফোন নেটৱার্কতা অকায়বা থোকহনবা য়াই। ব্লুটুথ থোঙদা মোবাইল ফোন্দা চঙলকপা স্পাইৱেয়র অদুনা পার্সোনেল ইনফোর্মেসন অদু মপানগী নেটৱার্কতা ট্রান্সফর তৌখিবা য়াই। মোবাইলদা য়াওবা গেম এপ্লিকেসনগা লোয়ননা ইন্সটোল তৌখিবা ট্রোজান অদুনা পাকশন্না শন্দোকপা য়াবা মেম্বর মখৈদা এস এম এস মেসেজশিং থাবা য়াই অমসুং মসিনা ফোন বিল হেনগৎহনবা য়াই।

ব্লুজেক্কিং

ব্লুজেক্কিং হায়বসি ব্লুটুথ য়াওবা মোবাইল ফোনশিংনা নৎত্রগা লেপটোপশিংনা অতোপ্পা য়ুজরশিংদা মীং য়াওদনা নাতৈ চাদবা মেসেজশিং থাবনি। ব্লুজেক্কিং অসি ব্লুটুথ য়াওবা ফোনশিংনা অতোপ্পা ব্লুটুথ য়াওবা দিভাইসশিং থিদোক্তুনা কন্টেক্ট তৌবা ঙম্বগী মখা পোল্লি। ব্লুজেক্করশিংনা কন্টেক্ট দিটেলশিং নৎত্রগা ইলেক্ত্রোনিক ব্যুজিনেস কার্দশিং একচেঞ্জ তৌনবগীদমক ওরিজিনেল ওইনা প্রপোজ তৌবা ফিচর অমা শীজিন্নৈ। মখোয়না ফোনগী এদ্রেস বুক অদুদা অনৌবা এন্ট্রি অমা হাপচিল্লি, মেসেজদা টাইপ তৌশিল্লি অদুগা ব্লুটুথকী মতেংনা থাননবা খনগৎলি। ফোন অদুনা অতোপ্পা ব্লুটুথ য়াওবা ফোনশিং থিবগী থবক চৌখে অমসুং মদুদা করিগুম্বা ফোন অমা ফংলবদি মেসেজ অদু থাজিল্লি। অসুম্না তৌজরবসু ব্লুজেক্কিং অসিমক্লা অমাং-অতা থোকহনবা অমা ওইদে। ব্লুজেক্করশিংনা পার্সেনেল ইনফোর্মেসন হুরান্দে নৎত্রগা নঙগী ফোন অদুগী কন্ট্রোলসু তৌদে। অদুবু মসিদা করিগুম্বা অকাম- অপেৎ নৎত্রগা অকি-অখঙ পীবা মেসেজশিং অমদি এদভর্টাইজশিং থারবদি ব্লুজেক্কিং অসি অচৌবা প্রোব্লেম অমা ওই। নহাক্লা করিগুম্বা অসিগুম্বা মেসেজশিং অসিবু থিংবা পাম্লবদি নহাক্লা ব্লুটুথ অদু ওফ তৌদুনা থমগদবনি নৎত্রগা "অনদিস্কোভরেবল" দা সেট তৌশিন্দুনা থমগদবনি।

**মখা মথংগী ইরাইদা...**

**(সি ডি এ সি)**